# ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরকখ্রবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস):** থাইলেন্দগী বেঙ্কোকতা থা অসিগী ১৮দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৫৭ রক শুবা এসিয়ান বোডি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরকখ্রবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং হরাও-তরাম্না ওকখ্রে।

ৱর্ল্ড বোডি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস ফেদরেশনগী মীৎয়েং মখাদা এসিয়ান বোডি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস ফেদরেশননা শীন দুনা নুমিৎ ৮ নি চুপ্পা পাঙথোকখিবা এসিয়ান বোডি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা ইন্দিয়া টিমদা শরুক য়াখিবা মণিপুরদগী বোডি বিল্ডর নুপী শান্নরোয় অমা য়াওনা পুন্না শান্নরোয় ৫না ঙসি ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা ওল মণিপুর বোডি বিল্ডর্স এসোসিএশন (এ এম বি বি এ)গী মরুওইবা থৌ পুবশিং অমদি মীয়াম্না লৈ পরেং হুক্তুনা হরাও তরাম্না ওকপগা লোয়ননা পুক্নিং থৌগৎখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা শরুক য়াখিবা জুনিয়র মেনগী কেজি ৭৫ মথক্কী বোডি বিল্ডিং কন্টেষ্টতা ওগষ্ট জিম চেক্কোনগী চোংথাম ব্লসলিনা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি। য়াইস্কুলগী ৱর্ল্ড জিমদা শান্নরিবা থোকচোম সঞ্জিতানা কেজি ৫৪গী ৱিমেন বোডি বিল্ডিং কন্টেষ্টতা ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌবা ঙমখি। লোয়ননা কেজি ৭৫ কাঙলুপকী বোডি বিল্ডিং কন্টেষ্টতা রোয়ল জিম নিংঙোমথোংগী রিকি হৱাইবমনা মরিশুবা মফম কনবা ঙমখি। মসিদসু নত্তনা জুনিয়রগী কেজি ৭৫ মথক্কী বোডি বিল্ডিং কন্টেষ্টতা দি জে জিম এন্দ ফিটনেস ককচিংগী ময়াংলম্বম ওলেঞ্জিংনা মঙাশুবা মফম কনবা ঙমখি। অদুগা মাষ্টর কেটাগরিগী চহী ৫০দগী ৬০ ফাওবগী অমসুং কেজি ৮০ মথক্কী বোডি বিল্ডিং কন্টেষ্টতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী লৈশাংথেম কুমারজিৎনা মঙাশুবা মফম কনবা ঙমদুনা ইন্দিয়াগীতা নত্তনা মণিপুরগী ওইনসু মীংচৎ পুরকপা ঙমখিবনি।


# মণিপুরনা দেল্লি মায়থীবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস):** অসামগী ঝোরহাত ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা সব জুনিয়র গার্লস নেশনল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫-২৬ (টয়র ১) দা মণিপুরনা দেল্লি মায়থীবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ২৮দা মণিপুরনা বিহারগা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ)কী মীৎয়েং মখাদা ঝোরহাত দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন অমদি অসাম ফুটবোল এসোসিএশন অনীনা শীল্লগা তোঙান তোঙানবা টিম ১৫না শরুক য়ারগা চথুরিবা নেশনল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ বিগী অরোয়বা লিগ মেটচতা মণিপুরনা দেল্লিবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

মেটচ অদুদা মণিপুরগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৩৬ অমসুং অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা নন্দিনি অমসুং মালেমঙানবীনা অমমম চনখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1574


**GM Georg Meier (2651) - GM Vl Kovalev (2640)**
**St Louis Fall A 2017 Saint Louis USA, 2017.09.11**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.Nf3 Nf6 | 2.g3 g6 | 3.Bg2 Bg7 | 4.O-O c5 | 5.c4 O-O |
| 6.Nc3 d5 | 7.cxd5 Nxd5 | 8.Nxd5 Qxd5 | 9.d4 cxd4 | 10.Be3 d3 |
| 11.Ne1 Qa5 | 12.Nxd3 Nc6 | 13.b4 Qd8 | 14.Rc1 Rb8 | 15.a4 a6 |
| 16.a5 e5 | 17.Bb6 Qf6 | 18.Bc7 Bg4 | 19.Bxc6 bxc6 | 20.Bxe5 Qf5 |
| 21.Bxg7 Kxg7 | 22.Qd2 Qf6 | 23.Rc4 h5 | 24.Rfc1 Rfe8 | 25.f3 Bf5 |
| 26.Nf4 Qe7 | 27.Rd4 Rec8 | 28.Rd6 Kh7 | 29.Qd4 Rxb4 | 30.Qxb4 Qe3+ |
| 31.Kg2 Qxc1 | 32.e4 c5 | 33.Qb7 Qc2+ | 34.Kg1 Qc1+ | 35.Kf2 Qc2+ |
| 36.Ne2 Kg8 | 37.exf5 Re8 | 38. ... | | |

**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1573 Solution :**

**25. ...Rxe2** *The black rook deflects White's rook away from protecting the 1st rank. Opening the line from d1 to g1.* **26.Rxe2**
*26.Qe4 Rxe4*
*26.Qd6 Rxe1+*
**26. ...Qd4+ 27.Re3** *Blocking square e3.*
*27.Rf2 Qd1+ 28.Rf1 Qxf1#*
*27.Be3 Qd1+ 28.Kf2 Qf1#*
*27.Kh1 Qd1+ 28.Re1 Qxe1#*
**27. ...Qd1+ 28.Kf2**
*28.Re1 Qxe1#*
**28. ...Qf1#** *Swallow's tail mate*
**0-1**




# দিসেম্বর থাদা ইম্ফালদা জুনিয়র ৱর্ল্ড ৱুশু চেম্পিয়ন্সিপগী ত্রায়ল সিলেক্সন পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস):** ৱুশু এসোসিএশন ওফ ইন্দিয়াগী সী ঈ ও সুহেলনা ঙসি ৱুশু একাদেমী খা পোৎশংবমদা লাক্তুনা একাদেমী অসিগী শান্নরোয়শিংবু পুক্নিং থৌগৎলমখিবগা লোয়ননা চহী অসিগী দিসেম্বর থাদা জুনিয়র ৱর্ল্ড ৱুশু চেম্পিয়ন্সিপকী ত্রায়ল সিলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়নসু ফোঙদোক্লমখি।



মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা মপান্দা চৎপদা লমদম অসিগী শান্নরোয়শিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অদুগী য়েংলগা ফেদরেশননা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী ত্রায়ল সিলেক্সন ইম্ফালদা পাঙথোক্লবা ফীরেপ লৌখিবনি হায়না সোহেলগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লমখি।

ঙসি মহাক্না উনখিবা অদুদা হন্দক এসিয়ান গেমসকী ত্রায়ল সিলেক্সনদা একাদেমী অসিগী শান্নরোয় অহুম মায় পাক্লকখিবা অদুগা মরী লৈননা য়াসকী কোচ রোনেলবুসু থাগৎপা ফোঙদোক্লমখি।

# মণিপুর হোক্কি টিম তরাম্না ওকখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস):** হোক্কি ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা পঞ্জাব হোক্কিনা য়ুম্বু ওইরগা থা অসিগী ১২দগী হৌরগা ২৩ ফাওবা পঞ্জাবকী জলন্ধরদা পাঙথোকখিবা ১৫ রক শুবা হোক্কি ইন্দিয়া জুনিয়র মেন নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫গী এ-দিভিজনদা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুবা লমদম অসিগী শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং হরাও-তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে।

মণিপুর হোক্কিনা শীন্দুনা ঙরাং ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা হোক্কি ষ্টেদিয়মদা মখা তানা হন্দক্তা অন্ধ-প্রদেশকী কাকিনাদাদা পাঙথোকখিবা ১৫ রক শুবা হোক্কি ইন্দিয়া জুনিয়র ৱিমেন নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫গী বি-দিভিজনদা মায় পাক্তুনা এ-দিভিজনদা প্রমোসন তৌরকখ্রবা মণিপুর হোক্কিগী নুপীমচা শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিংবুসু হরাও-তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে।

থৌরম অদুদা হোক্কি ইন্দিয়াগী ফোর্মর প্রসিদেন্ট গ্যানন্দ্রো নিংঙোম্বম, মণিপুর হোক্কিগী প্রসিদেন্ট খোইরোম লোয়ালাকপা, মণিপুর হোক্কিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ডা. বাসুদেব লোয়ননা মণিপুর হোক্কিগী মরুওইবা থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

# লিভরপুলনা ন্যু কাসল থোইখ্রে

**লন্দন, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):** ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা চথুরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লিভরপুলনা ন্যু কাসল মায়থীবা পীখ্রে।

লন্দনদা লৈবা সেন্ট জেমস পার্কতা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী লিভরপুলগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু পাঞ্জল ৩-২দা মায় পাকখিবনি। লিভরপুলগী পাঞ্জলশিং অদু রাইন, হুগো ইকিটিকে অমদি রাইও ঙুমোহানা অমমম চনখিবনি। অদুগা ন্যু কাসলগী পাঞ্জল অদুনা ব্রুনো অমসুং ৱিলিয়ম ওসুলানা অমমম চনখিবনি।










Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com